# ভি দি এফশিংবু হিরম কয়াদা শীজিন্নরগা মান্নবা মীৎয়েং য়েংবীদবা অসি তৌবীগনুঃ এসোসিয়েসন



ইম্ফাল,এপ্রিল ২৯ (এস এন এস)ঃ

ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা খুঙ্গং কয়া ঙাক–শেন্নবা হায়না থল্লিবা ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স (ভি দি এফ)শিংবু ষ্টেট অসিগী থবক–থৌরম কয়াদা চিংখদনা শীজিন্নবগীরগা লৈঙাক্লা মান্নবা মীৎয়েং অমদা য়েংবীদবা অসি তৌবীগনু হায়না ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী জেনরেল এম দি রিয়াজ খাননা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ইম্ফালগী মেজোরখুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, ভি দি এফশিংগী ওইবা মতম–মতমগী দিমান্দ কয়া মণিপুর লৈঙাক্তা তান্দুনা লাক্লি। অদুবু হন্দক ইলেক্সনগী কোদ ওফ কন্দক্ট লৈবনা মতম খরা লেপ্তুনা লাকপনি। হন্দক পাঙথোকখিবা ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সনগী আউট্টর অমদি ইন্নর অনীমক্তা ভি দি এফশিংবু মাগী–মাগী দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংমদ ফাওবা দ্যুটি পীদুনা মথৌ তৌহল্লি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা চীংগী মনুং হজিনবা মফমশিং অমসুং জিরিবামগী মফম কয়াদসু দ্যুটি থাদুনা মথৌ তৌহল্লি। অদুগা দ্যুটি তৌবগী নোংমগী টি এ লুপা ১৫০ শাবা অদুসু নুমিৎ মশীং শুনা পীবিদে। অসুম্না তৌবীবসি তৌবীগনু। ভি দি এফশিংবু চপ–মান্ননা ৱারিবনি। অদুগা তোঙানবা চীংগী মফমদতা নত্তনা তম্পাক্কী মফমদা লৈবা বি এস এফ,আসাম রাইফলস অমসুং সি আর পি এফশিংনা ভোটকী দ্যুটি চংখিবগী কেম্প শংহৌবা ওইনা থম্বীরিবা ভি দি এফশিংগী নোংমগী টি এ লুপা ১৫০০ শাবীবা অদুসু নীংথিনা পীবিদবতা নত্তনা মখোয়না কেম্পতা হল্লক্লবা ফাওবা হনগে হায়বা য়াদনা থম্বীবা,হল্লগে হায়রুবদা ভোট হায়দোক্লিবা ফাওবা লৈখো হায়না চৎহন্দনা থল্লিবসি তৌবীগনু। চীংনুং–মনুংদা চানিং ঙাই নীংথিনা ফঙদবা মফমশিংদদি ভি দি এফশিং লফু চারগা লেনবা ফাওবা য়াওরে। হিরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবিয়ু অদুগা ভি দি এফশিংগী ফঙফম থোকপা নুমিৎ মশীংগী টি এ শুনা পীবিনবা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। মহাক্লা মখা তানা হায়খি,ভি দি এফশিং অসি চহী খুদিংগী এক্সটেন্সন ওর্ডর থোক্তুনা মথৌ তৌরকপনি। অদুবু হন্দক্কী চহীসিগী ওইনদি এপ্রিল থা লোইগদৌরবা অসিফাওবা এক্সটেন্স ওর্ডর থোকপীদবনা মরম ওইরগা মার্চ অমদি এপ্রিল থাগী তলব ফঙদনা লৈরি। হিরম অসিগী মতাংদসু মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# ইন্টরনেস্নেল দান্স দে সেলেব্রেসন পাঙথোকখ্রে

থৌবাল,এপ্রিল ২৯ (এস এন এস)ঃ

মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু ন্যু দিল্লিগী সঙ্গিৎ নাতাক একাদেমী য়ুনিট অমা ওইরিবা জৱাহারলাল নেহরূ মণিপুর দান্স একাদেমী, ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি একাদেমী অসিগী ওদিটোরিয়মদা ইন্টরনেস্নেল দান্স দে সেলেব্রসন পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জাৱাহরলাল নেহরূ মণিপুর দান্স একাদেমী গী ভাইস চিয়রমেন প্রোফেসর ঐচ তোম্বী সিংহ না অথোইবা মীথুংলেন, ইমিনেন্ট মণিপুরী দান্সর, শ্রীমতী এ লাক্ষীনা ইকাইখুম্নবা মীথুংলেন অমদি থিয়েটর সেন্টর মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱারেপ্পা নবনা থৌরম মপু ওইখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা প্রোফেসর ঐচ তোম্বীনা হায়, ইন্টরনেস্নেল দান্স দে অসি য়ুনেস্কো না কুমজা ১৯৮১ গী এপ্রিল ২১ দা পাঙথোক্লবা হায়না



ৱারেপ লৌদুনা মালেমগী লৈবাক ২২১ লোম্না নুমিৎ অসিদা ঙসিফাওবা থৌরম অসি পাঙথোক্লদুনা লাক্লি । লমদম অসিগী মীয়াম্নসু ইন্টরনেস্নেল দান্স দে পাঙথোক্লিবগী মরম নৈনবগী মতম ওইরবনি। তশেংনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী নুমিৎ অসিদি ফ্রান্সকী দান্সর অমগী মপোক নুমিৎতা পাঙথোকপনি। জগোয় অসি অৱাং নুংঙাই ফোঙদোকপগী আট মখল অমনি। লোয়ননা জগোয় অসি হ্যুমেন্দ অসিনা লমদম অদুগী কলচরবু মালেমদা শক তাক্লিবনি। তোঙান তোঙানবা কাঙলুপশিংবুসু জগোইনা পুন্না পুনশিনবগী শক্তম অমসু উৎলি। মণিপুরগী লৈরিবা মরু ওইনা মৈতে জগোই অসিদি লমদম অসিগী লাই–তিনগী থবক থৌরম কয়াগসু শগোন্নদুনা মালেমদা শক তাক্লিবনি। পনবা য়াবদি মাইবী জগোয় অসিসু অমনি। মহাক্লা মখা তানা হায়, তাইবঙ মপুগা শগোন্নবা জগোই কয়া অমদি তোঙান তোঙানবা জাতি কয়াগী জগোয় কয়ানা লৈশাৎ তমদুনা মালেমদা শক তাক্লিবা অসিবু লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙবীবা ইৱাৎ ৱাংলি। লৈঙাক পায়রিবা মীওইশিংনদি জগোয় অসি খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্লি, মালেমদা শক তাক্লিবনি হায়না মচীনদা পাঙহায় হায়বনি। থবক ওইনদি পায়খৎপগী মমিদি ইতা তাদ্রি। লৈঙাক্লসু কলচর য়োকখৎনবা কন্না হোৎনবীবা মথৌ তারি। ষ্টেটকী বাজেট হাপ্পীবদসু কলচরগী অসিনা ইপিক পীকপা অসি নুঙাইজদে। লমদম অসিগী জগোয়বু হেন্না পোপুলররীতি ওইনবা লৈঙাক্লা হেন্না মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়না ফোঙদোকখি।

# ষ্টেট সর্ভিলেন্স কম্মিটি মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৯ (এস এন এস)ঃ

ষ্টেট সর্ভিলেন্স য়ুনিট মণিপুরনা শীন্দুনা ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হেল্থ অমসুং ষ্টেট লেভেল টাক্স ফোর ইনভাইরোনমেন্টেল হেল্থ এন্দ চেঞ্জকা মরী লৈননা মরিরকশুবা ষ্টেট –সর্ভিলেন্স কম্মিটি মীটিং ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সিদা লৈবা ইম্ফাল হোটেলদা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট সর্ভিলেন্স কম্মিটি মীটিং অদুগী হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (হেল্থ) ভি ভুমলুনমাংনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা হায়খি,লমদম অসিদা মীওইবগী থৌওংশিংনা মালেমদা শাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি । লোয়ননা মখল কয়াগী লায়না কয়া পোকহল্লি। অইং–অশাগী চাং হোংলকপনা মীওইবদা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা ঐখোয় খুদিংমক্লা নৈনবনা লমদমসিগী মীয়ামদা অনৌবা ৱাখল্লোন অমা পীগনি। চৈথেংশিং অসি ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙদোক্তুনা মসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনহৌবা হায়বসিনা হকশেলগী খ্বাইদগী ফবা খোঙথাং ওইগনি।

মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী দিপার্টমেন্টশিংনা মল্টিসেক্টোরেল ওইনা খোঙথাং অমদা পুন্না চঙশিনমিন্নবা মথৌ তাই। মালেমগী ওইনা অইং–অশাগী খল কায়থরকপনা মসিদগী পোকহল্লকপা লায়না–লায়ওংশিংনা মীওইবদা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা ষ্টেট অসিদসু নীপা ভাইরস শন্দোরকপদগী অচৌবা শিংনবা অমা মায়োক্লখিবা লৈখ্রে। অসিগুম্বা লায়না–লাইচৎশিং অসি ষ্টেট অসিদা লাকপা মতমদা মসিদগী ঙাকথোক্লবা পাঙথোকপা য়াবা মথৌ তাবশিং শেম–শাদুনা লৈবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা হেল্থ সার্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা কে রাজো অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া গী রিজনেল দাইরেক্টর ডা এন ইনাওবসু শরুক য়াখি।

# ফেমিলি প্লান্নিংগী মতাংদা রিজনেল রিভ্যু মিটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৯ (এস এন এস):

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেফিয়র গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুর লৈঙাক্কী ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, এনঐচএম অমসুং হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র সার্ভিসকা খূৎশম্নদুনা চৎলিবা চহী ২০১৮–১৯ অসিগী ফেমিলি প্লান্নিং প্রোগ্রামগী মতাংদা নোংমগী ওইবা রিজনেল রিভ্যু মিটিং অমা ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দদা পাঙথোকখ্রে।

রিভ্যু মিটিং অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ফেমিলি প্লান্নিং দিভিজনগী দিপ্যুটি কম্মিস্নর ডা. এস কে সিকন্দরনা ফোঙদোকখিবদা, ফেমিলি প্লান্নিং হায়বসি মীশিং হেনগৎপা থিংবখক নত্তে। লৈবাক অসিগী ফেমিলি প্লান্নিংগী মরুওইবা পান্দমদি হকশেলগী ফিভম ফগৎহনবনি। ইমুং অমদা অঙাং কয়া পোক্কদগে হায়বসি ঐখোয়না লেপ্পা য়াদে। মসি ইমুং ইমুংদুগী অপাম্বনি। অদুবু মমা অমদি অঙাং অদুনা মশা–মউ ফানা হিংবদুনা হেন্না মরু ওইনা হায়খি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখিবা ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি নেস্নেল হেল্থ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট মিসন ডাইরেক্টর ডা. এস মনিকান্তনা হায়খিবদা থৌরম অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইনা পাঙথোকপনি।

ফেমিলি প্লান্নিং হায়রগা ঐখোয়না মরুওইনা খন্নরীবসি মীশিং হেনগৎলকপা থিংবদু নত্তে। ফেমিলি প্লান্নিং হায়বসিদা হেন্না মরু ওইরিবসি অঙাং অমগা অঙাং অমগগী মরক্তা য়ামদ্রবদা চহী ৩গী গেপ থমগদবনি। মসিনা অঙাং অদুবু মপুং ফানা অমদি মশা মউ ফনা য়োকপা ঙমগনি। লোয়ননা মমা ওইবীশিংনা অঙাং অমগা অঙাং অমগগী মরক্তা গেপ য়াম্না থমদনা মীরোলবদগী থোকহল্লকপা য়াবা লায়না লাইওং কয়া ঙাকথোকপা ঙমগনি।

মমা ওইবীশিংনা তোইনা মীরোল্লগদি মমা অমদি অঙাং শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। ফেমেলি প্লান্নিং না মীশিং হেনগৎপদগী থিংবখক নত্তনা অঙাং অমদি মমাবু মশা মউ ফনা থম্বা অমসু ইমুংগী ইকোনোমিদা শোহকহন্দে হায়বা ৱাখল্লোন অদুনি পীবা পাল্লিবসি। অদুগা অৱাং নোংপোক্কী ওইনা পাঙথোক্লিবা রিভ্যু মিটিং অসি য়াম্না মরু ওই। লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগা য়েংনবদা ফেমিলি প্লান্নিংগী পীরিবা খুদোংচাবশিং অসি অৱাং নোংপোক্তা শিজিন্নবগী চাং য়াম্না নেম্মী। মসি করি মরমগী ফঙবা ঙমদ্রিবনো হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা অৱাং নোংপোক্কী মরু ওইনা মণিপুরদা ফেমিলি প্লান্নিংগী প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। মসি ঐখোয় খুদিংমক হকচাং ফানা লৈবা ঙমগনি হায়বা পান্দম অদু ফঙবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ভুমলুনমাং, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী হেল্থ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং ডা. কে রাজো ডাইরেক্টর হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়রসু শরুক য়াখি।

# ‘মণিপুরীশিং পুনশিল্লগা পাঙ্গল ...

*লমায় ১গী মখা*

ৱাখল্লোন অসি শন্দোকপা হৌরগ্রে। হৌজিক ঐখোয়না পঙহিং হিংবা অসিনা চহী ৫গী মতুংদা করি ওইগনি হায়বা ঙমদে। তুংগী মীরোলগীদমক করি তৌরমসিগে হায়বা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিল্লগা য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী ওইবা অশানবা মীৎয়েং অমা থল্লম্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন পীরদুনা ইকলগী সেক্রেটরী জেনরেল দল্লিয়ু লুৱাংলৈমানা হায়খি, কুমজা ২০১৪দগী শাজিবু খুদোল তম্বগী থৌরম অসি ইকলনা শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মমাঙগী মতমদা থৌরম অসি মণিপুরগী মপান্দ পাঙথোকপনি। অদুবু হৌখিবা চহীদগী হৌরগা ঙসিগা অনীরকশুবা ওইনা মফম অসিদা পাঙথোকপনি। মণিপুরগী মপান্দা লৈখ্রবা ঐখোয়গী ঈ মরীশিং অসিবু খোমজিন–তাশিন্দুনা অপুনবগী পাঙ্গল অমা শাগৎনবা হোৎনবনি।

লমদম অসিগী অমদি অতোপ্পা মফমদা লৈখ্রবা ইবুঙ–ইম্বাশিংবু অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা অচংবা মীরোল অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা মচল–মচে ওইবশিংনা পূক্নিং থৌগৎপা উৎলি। লমদম অসিবু ইং–তপ্পা অমদি মরা চেৎনা পানবা ঙম্নবা অমদি অপুনবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা ঙম্নবা ৱাখল্লোন্দা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা খুদোলপোৎ তমজবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা লমদম অসিগী তোঙান–তোঙানবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী লুচিংবশিংশু শরুক য়াখি। লোয়ননা ত্রিপুরা,জিরিবাম,বরাক ভেল্লি,সিলচরনচিংবা অতোপ্পা মফমশিংদা লৈখ্রবা মণিপুরীশিংদা শজিবু খুদোল তমখি।

# চীংখৈচীং ৱাটর ...

*লমায় ১গী মখা* ফংহন্নবা থবক লৌখৎকদৌরিবনি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, লমদম অসিদা পায়খৎলিবা অচৌ অচৌবা প্রোজেক্ট খরবু প্রাইওরিতি প্রোজেক্ট ওইনা লাওথোক্তুনা মসি ওফিসার কম্মিতি অমগী মখাদা হকথেংনননা য়েংশিনহনলিবশিংগী মনুংদা চীংখৈ চীং ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিসু য়াওরিবনি।

মখোয়না মিনিষ্টরশিংগী ৱাফম তান্নদ্রবসু অথুবা মতমদা প্রোজেক্টশিং অদু থবক য়াংশিন্না পায়খৎপা ঙমহন্নবা থৌনা হাপ্লিবনি। প্রাইওরিতি প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিগা লোয়ননা সিভিল সেক্রেটেরিয়েট, লোক্তাক পাৎকী হেরিটেজ পার্ক শেমগৎপনচিংবা প্রোজেক্টশিং অসি য়াওরি হায়রি।

প্রোজেক্ট অসিগা মরি লৈননা আই এফ সি দিনা চীং হুৎলগা ঈশিং পুরক্লবা পাইপ তিংলিবা টনেলশিং হুৎপা লোইশিল্লকপা য়াওরে। মসি লাক্লবা অমসুং পাইপ তিংব লোইরবদি প্রোজেক্ট অসিগী ঈশিং ইম্ফাল মনুংদা শোয়দনা য়ৌহনগনি হায়না পাউঅসিনা মখা তারি।

# দাইনাদা শেলগী মতেং পাঙখ্রে

থৌবাল,এপ্রিল ২৯ (এস এন এস)ঃ

টাইকুন্দো শান্নরোই অমা ওইবতা নত্তনা মশানা মশাবু ফ্রুইট সলাদ য়োন্দুনা ষ্টেট অসিদা ৱার্ক কলচর অমা শাগৎনবা হোৎনরিবী নিঙোম্বম দাইনা ঙসি সি সি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ১৯৯৩–৯৫ বেজনা ইম্ফালগী শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা চত্তুনা শেলগী মতেং পাঙখ্রে।

ঙসি শেলগী মতেং পাঙখবা অসিগা মরী লৈননা সি সেন ১৯৯৩–৯৫ বেজকী এদভোকেট মাইস্নাম জোনি মৈতেনা ফোঙদোকখিবদা দাইনানা নুপীমচা অমা ওইনা মহাক্কী মঙলান মঙফাওননবা হোৎনবদা ইকাইবা থাদোক্তুনা থৌনা ফনা চোঙথোরকপা অসিদা গ্রুপ অসিনা অঙম্বা মতেং পাঙজবনি। মহাক্কী হোৎনবা কনবগী থৌনা অসিবু পুক্নীং থৌগৎপা ওইনা গ্রুপ অসিনা মখা তানসু মতেং পাঙখিগনি হায়খি। শেলগী মতেং পাঙবা অসিদা হরাউবা ফোঙদোক্লদুনা নহাশিংদা থবক শূবগী হৈনবী লৈনবা ৱাখল্লোন্দা থবক শূবা হৌজখিবনি। মসিদা মীয়াম্না নুংশিবীদুনা মতেং পাঙবীরিবা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই। মহাকখক নত্তনা অতোপ্পা থবক শূনিংবা নহাশিংদসু মীয়াম্না পুক্নীং থৌগৎপিয়ু। থবক অসি তৌনা–তৌনা শান্নবদসু মায় পাক্লবা হোৎখিগনি হায়খি।

# সি এমনা পৈশাগীদমক ভোট পীয়ু হায়খিদবনা কোদ ওফ কন্দক থুগায়বগী ৱাফম লৈখিদে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ ঃ চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌখবা এপ্রিল ১৬ তা ক্বাকৈথেল মোইরাং পুরেলদা বি জে পিগী কেন্দিদেট আর কে রঞ্জনগী ভোট খোম্বগী মিটিংদা ‘‘পৈশাগীদমক ভোট’’ পীয়ু হায়খিবা লৈতবনা ইলেক্সনগী মোডেল কোদ ওফ কন্দক থুগায়বগী ৱাফম লৈখিদে হায়না চীফ মিনিষ্টরগী পার্সোনেল সেক্রেটরী সলাম রাজেন সিংহনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সট্ট্যিয়েন্সিগী রিটর্নিং ওফিসারদা ইবা চেরোল অমদা ফোঙদোক্লি।

কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট ও নবকিশ্বরনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মোডেল কোদ ওফ কন্দক থুগায়রে হায়দুনা লানখৎলকপা ৱাকৎ অমগী মতুং ইন্না চীফ মিনিষ্টরগী পার্সোনেল সেক্রেটরীদা থাখিবা সো কোজ নোটিশ অমগী পাউখুম পীরদুনা চেরোল অদুনা হায়রি, চীফ মিনিষ্টরনা বি জে পিগী কেন্দিদেটতা ভোট পীনবগীদমক্তা পৈশা পীগে হায়খিবা লৈখিদে। মহাক্না কোংগ্রেস নৎত্রগা সি পি আইদা পৈশা লৌরগা ভোট পীয়ু হাখিবসু লৈখিদে। মহাক্না মিটিং অদুদা পৈশাগী শক্তিনা মীয়াম্বু হুমদুনা পুহনখিদনবা আপিল তৌখবনি।

মীয়াম্না মখোয়গী ভোট থাদবগী হক অদু পৈশানা হুমদুনা পুহল্লোইদৌবনি হায়খিবা ওইবগা মোডেল কোদ ওফ কন্দক থুগায়বগী ৱাফম লৈতে হায়না চীফ মিনিষ্টরগী পার্সোনেল সেক্রেটরীগী চেরোল অদুনা রেটর্নিং ওফিসারদা মখা তানা শেংদোক্লি।

# নুমিৎ ৬নি চুপ্পা চৎখগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

থৌবাল,এপ্রিল ২৯ (এস এন এস)ঃ

শেন্দোং লৈনা ঙা, য়েন, ঙনু অমদি ওক লোয়বগী মতাংদা নুমিৎ ৬ নি চৎখগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী কাঙপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী হেনবুংদা লৈবা ক্রিসি বিজ্ঞান কেন্দ্রগী ত্রেনিং হোলদা হৌদোকখ্রে। নোর্থইষ্ট কাউন্সিল শিল্লোংনা স্পোন্সর তৌদুনা ক্রিসি বিজ্ঞান কেন্দ্র। হেনবুংনা শিনখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা কাঙপোকপি অমদি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান–তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীওই ৭৫ না শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা কাঙপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মীস্নর লালীথমবিগলনা হায় নুমিৎ ৬ নি চৎথগদৌরিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিনা য়েন, ওক অমদি ঙা য়োক্তুনা হিংনবা হোৎরিবা লমদম অসিগী মীয়ামদা য়াম্না চাউবা কান্নবা পীগনি। মরু ওইনা হৌজিক মালেমগী ওইনা হেনগৎলক্লিবা মীগী মশীং অসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়না লৌউ–শিংউ তৌরম্বা লমগী পাক চাউবা অসি নোংমা নোংমগী ময়েং তরক্লি। মরম অসিনা ঐখোয়না লৌউ–শিংউ তৌবা মতমদা মতম অসিগা চান্নবা সাইন্টিফিক ওইনা মওংদা তৌবা মথৌ তারে। সাইন্টিফিক ওইবা মওং মতৌ শিজিন্নবা অসিনা পোথোক পুথোকপগী চাংসু হান্নদগী য়াম্না হেনগৎকনি হায়খ। লোয়ননা লৌমী শিংনসু নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলনা পীরিবা কান্নবা কয়া অসি কাঙলোন চুম্না শীজিন্নসি হায়না মখা তানা অপিল তৌখি।ঙসিগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা আই সি এ আরগী সেনিয়র সাইনটিষ্ট (ফিসরি) ডা. সি ঐচ বসুদা অমদি কেভিকে হেংবুংগী এদমিনিষ্ট্রেটিবগী ওফিসর জে জি পোল সু শরুক য়াখি।

# মঙলেমজাও গুৱাহাটিদা ...

*লমায় ১গী মখা*

লোয়ননা মহাকপু অমুক হন্না হান্নগী হকচাংগী ফিভম অদুদা হনজিহন্নবা খোঙথাং লৌখৎপনি।

মহাক্কী মতেং পাঙনবগীদমক টি দি সিগী টিম অমসু মাঙজেনৈনা গুৱাহাতিদা থাখ্রবা মতুংদা হোস্পিতাল অদু খঙদোক্লগা অনাবা অসিবু মতেং পাঙলুগদৌরিবনি। টি দিসিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা পাৎশোই এ সিগী এম এল এ ওইরিবী কুমারি এ কে মিরাবাইনা লাকপীদুনা টি দিসিদা থৌনা হাপ্পীবা অমসুং অনাবা অসিগীদমক য়াম্না থৌদাং লৌনা হোৎনবীবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়খি। মঙলেমজাওগী অনাবা লায়েংবা চৎপা অসিদা টি দি সিগী মীহুৎ কাঙবু অমসু লোয়নরি। মঙলেমজাওবু এম্বুলেন্স শিজিন্নরগা ঙসি গুৱাহাতিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি হায়খি। মঙলেমজাওবু গুৱাহাতিদা পুনবা হোৎনবা অদুদা পাৎশোই এ সিগী এম এল এ কুমারী এ কে মিরাবাইসু লাক্তুনা অৱাৎ অপাশিং য়েংশিল্লখি।

# সি এম,কোংগ্রেস লুচিংবশিং চঙশিল্লুরে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৯(এস এন এস) ঃ

ঈশিংদা লুপখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওই অহুমগী হকচাং ফঙননবা এন দি আর এফ, এস দি আর এফ অমসুং ফয়ার সার্ভিসকী পার্সোনেলশিংনা চাদোংদা কেম্প তৌদুনা হোৎনরিবদু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন,কোংগ্রেস লুচিংবা গাইখাঙম অমসুং কোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি এন ই আই দি পিগী লূচিংবশিং য়েংখ্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রে হায়না লৌবা য়ারবা ইমুং–মনুংগী মীওইশিংগী অৱাবদা শরুক য়ারমখি।

# লমকোয়বশিং তোংহল্লগা পাৎতা পুখিবদু হি ওইরমদ্রে...

*লমায় ১গী মখা*

লৈরিবা নিংথৌখোঙ খা খুনৌদগী সাগাপম রাজিভ অমসুং সাগাপম রোমেনগী অপোকপী সগাপম ওংবী রাধা দেবী হৌজিক ইম্ফালগী এদভান্স হোস্পিটালদা লায়কন্নরি ।

ইমুং মনুংগা নক্লবা মফমদগী ফংবা পাউ অমনা হায়, ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুদা মহাক্কী মচানুপা অনি হি লাকশিনবদা থিবা ফংখিদ্রে হায়বা পাউ তাবদগী মখোয় অনীগী অপোকপী রাধা ৱাম্বরকপদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা নুমিদাং পুখৎলবা মতুংদা নুমিদাং অথেংবদা এদভান্স হোস্পিটালদা অমুক পুরক্তুনা লায়কন্নখিবনি।

মচানুপা অনি ঈশিংদা লুপখিবদগী থিবা খঙখিদবগী নুংঙাইতবা পাউ তাবদগী ৱারি শান্না শান্ননা রাধা ৱাম্বরকখিবনি হায়রি। হৌজিকসু মহাক মশাদা ইথক থকৎপগুম তৌবা ফিভম অমদা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

মহাক্কী মচানুপা সাগাপম রাজিভ অসি হৌজিক মচানুপা অপীকপা অমা হুন্দোক্লম্মী লোয়ননা রাজিভকী মনাওনুপা রোমেননা লুহোংবা থা ৪–৫ রোমতমক ঙায়রি হায়রি। হৌজিক থিবা খঙদনা লৈরিবা নিংথৌজম রিনানা রাজিভনা হাংদোকপা নিউ বেকরি কৌবা বেকরি অমদা সেলসমেন ওইনা থবক তৌবনি।

ঙরাং অসি রোমেনগী লোয়নবী দেজি য়াওনা লমদম অদুগী মীওই কাঙবু অমা চাদোংদা পিকনিক চৎখিবনি। রোমেনগী লোয়নবী দেজিদি হি তোংবদা মকোক ঙাওগল্লি, হি তোংবা কি হায়দুনা হি তোংবদা য়াওখিদে হায়রি।

# চাদোংদা হি লাকশিনবদা য়াওখিবা মীওই অহুমগী ...

*লমায় ১গী মখা*

ফয়ার সর্ভিস, অসাম রাইফলস অমসুং পুলিসকা পুন্না থবক তৌমিন্নবা অসি থাগৎনিঙাই ওই হায়খি।

মাঙখ্রবা হকচাংশিং থি হুন্বগী থবক মমশিল্লকপদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দা লেপখি। হয়েং অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা এন দি আর এফ, এস দি আর এফ, ফয়ার সর্ভিস য়াওনা হকচাংশিং থি হুন্বগী থবক চৎখিগনি হায়খি।

মরক অসিদা এন টি আর এফকী অহেনবা পার্সোনেলশিং ঈশিং মনুংদগী পোৎলমশিং থিবদা শিজিন্নবা খুৎলায় অমা হয়েং অয়ুক কোহিমাদগী ইম্ফালদা থুংলরগনি হায়রি। খুৎলায় অসি শিজিন্নদুনা হয়েং অরোইবা ওইনা মীওইশিং অদু থিবগী থবক মখা চৎখিগনি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা হায়রি।

অমরোমদা মপিঠেল দাম অসি হেক শাবা লোইদুনা ঈশিং থিংগৎপা হৌরকপদগী ঙসি ফাওবদা চাউরাক্লা মীওই ১৬ লোম পাৎ অসিদা ইরাক্লদুনা শিখ্রে হায়রি। পাৎ অসিদা হি তোংলিবশিং অয়াম্বনা লাইফ জেকেটশিং শিজিন্নদে হায়রি।

চাদোংদা শিজিন্নরিবা হিশিং অসি অয়াম্বনা প্লাষ্টিক দ্রমদা ফ্রেম শেম্লগা ফম্বাক হাদুনা ফমফম শেম্লগা তউহনবগী মওংদা চৎখরিবনি।

ফিভম অসিদা মফম অদুদা লাকপা লম কোয়বা মীওইশিং অদুনা হি তোংবদা শাফবা ফিভম ওইদে। করিগুম্বা লাকশিল্লবদি অদুমক শিনিঙাই ওইরি হায়না মখা তারি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না হন্দক্কী চদোংগী থৌদোক অদুনা পারা অমা ওইরগা মণিপুরগী লোক্তাক পাৎ য়াওনা লমকোয়বশিংনা মপুং ওইনা লাকপা ৱাটর বোদিশিং অসিদা লন্নাই ওইনা হি পংশাদা শারগা শেন্দান লম্বী ওইনা চখবা অসি থিংজিন্নবা খোঙথাং লৌখৎনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

ঙরাংগী থৌদোক অদুদগী চাদোংদা লমকোয়বা লাকপশিং য়েংশিন্নবা পুলিস আউট পোষ্ট অমা চাদোংগী মনাকনকপা মফম অদুদা হাংদোক্লবা খোঙথাংসু পায়খৎখ্রে। পুলিসশিং অদুনা মফম অদুদা হি তোংলিবা মীওইশিং লাইফ জেকেটনচিংবা শুংশোয় শোয়দনা লিংৎনবা থবক লৌখৎকদৌরি।

মসিদা নত্তনা অসিগুম্বা টুরিষ্ট স্পোটশিংদা অফবা মখলগী হিশিং থম্নবগী ৱাফমসু খন্নবা হৌরে হায়রি। মসিগীদমক মপান লমদগী অতাংবা হি মখল খরা লৈনবা ৱাফম খন্নরি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# মপুরোইবা হাৎননবা রেনুকাগী য়াথং অরোনবা...

*লমায় ১গী মখা*

নুংথং অমনা মহাকপু মকোক্তা কয়ারক হন্না শুখি অমসুং থাঙ অমনা চাকখাও, ঙকশম অমদি হকচাংগী শরুক কয়ামরুমদা থিল্লগা হাৎখিবনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং তাকথোরকখি। মীহাৎ অদু পাঙথোক্লবা তুংদা অরোনবা নুপা অদুনা রেনুকাদা ফোন তৌরক্তুনা মহাক্কী মপুরোইবা হাৎখ্রে হায়না খঙহল্লকখি হায়নসু পুলিসনা চার্জ তৌরি।

কেস অসিগী আই ওনা এ পি পিগী খুথাংদা পীখৎলকপা অকুপ্পা ৱারোলশিং য়াওবা চেরোল অদুদা হায়, অরোনবা নুপা অদুগা রেনুকাগা য়ুম্বানবগী মরী থম্মে। নুপী অসিগী মপুরোইবনা ময়ুমদা লৈত্রিঙৈ থেঙ্খাং কয়ারক্তা নুপী অসিগা মহাক্না অরোনবা য়ুম্বানবগী মরী থম্মে।

এল দোরেন্দ্রোগা য়ুম্বানবগী অরোনবা মরী থম্মে অমসুং মপুরোইবা হাৎপদা লৌতুনবা য়াওই হায়বদু রেনুকা মশানসু য়াজরে। মরম চাদনা মহাক্কী মপুরোইবা অদুনা মহাকপু য়াম্না থিনা ওৎখি। কয়ারক হন্না ফুবীখি। ময়ুমদগী হেন্দাকহন্দনা থমখি অমসুং করিগুম্বা থবক অমা চৎলমদাইদা মঙোন্দগী অয়াবা লৌদ্রগদি চথোকহন্দে অমসুং মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপুরোইবা অদুনা মর্সেল লোগী মতৌগুম্না মঙোন্দা অথিংবা কয়ামরুম পী হায়নসু নুপী অদুনা ফোঙদোকচৈ হায়রি।

আই ওনা পীখৎলকপা রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না ফিজম মোহেন্দ্রো হাৎনবা শীজিন্নখিবা পোৎলমশিং ইনভেষ্টিগেট্টিং টিমনা থৌদোকথোকফম ময়া অদুৱাইদগী ২৪ এপ্রিলদা ফঙবা ঙমখি হায়নসু পল্লি। রেনুকা (৩৯) অমসুং অরোনবা নুপা এল দোরেন্দ্রো (৩০) ঙসি জ্যুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ফার্ষ্ট ক্লাস ইম্ফাল ৱেষ্ট টুগী কোর্টতা পুথোরকখ্রে। কেস অসিগী আই ওনা মখোয় অনীবু জ্যুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবীনবা হায়জরকপা ৱাফম মতুং ইন্না নুমিৎ ১৫নিগী জ্যুদিসিয়েল রিমান্দ পীখ্রে হায়রি।

# ৱামরৈ ইকো টুরিজম পার্ককী থৌদোক লৈঙাক্কী থৌশিল...

*লমায় ১গী মখা*

মীশি–মীনা য়াওরবা মতমদদি মীয়াম্না নুংঙাইতবা ফাওনরে। মসি মফম অসিগী খুঞ্জাশিংখক্তদা তাইশিনবা য়ারোই । লৈঙাক্কী পোলিসি ৱাৎপদগী থোকখিবনি।

লোয়ননা ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা মফম অসি মফম অসিগী মীয়ামগী চাকখাও ওইবা মফম ওইনা লৈরম্বনি। ঈশিংনা হেক থুমজিনখিবদগী মফম অসিগী মীয়াম য়াম্না ৱানা লৈরে। মখোয়না বোট চল্লাইদুনা মশাগী শেন্থোক লম্বী থিজদ্রদি হীংবা খঙদবগী ফিভমদা লৈগনি। অদুনা মখোয়না শেন্দান লম্বী ওইনা চখজরগসু ষ্টেট অসিগী টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইবনিনা লৈঙাক্লা লাইফ জেকেটকী খুদোং চাবা থম্বীরম্লবদি থৌদোক অসি থোক্লম্লোই। মসিদা খুদোংথিবা থোক্তনবা করি থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বসি লৈঙাক্কী থৌদাংনি। থৌদোক অসি মতুং অমুক হন্না থোক্তনবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদুনা পোলিসি অমা শেমগদবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা এন ই আই দি পি,মণিপুর ষ্টেট কী প্রসিদেন্ট এন জি বিজয়না হায়খিবদা,মফম অসি লমদম অসিগী টুরিষ্ট স্পোট ওইনা লৈরবনিনা মফম অসিগী মীয়াম্না বোট চল্লাইদুনা হিংনবা পান্বে থিবদা লাইসেন্স লৌহৌদ্রগসু লৈঙাক্লদি মতম চুপ্পদা শেন্নদুনা লৈবা মফম্নি। টুরিজমগী থবক থৌরম কয়া চখদুনা লাকপসিদা খুদোংথিবা থোকপা মতমদা পূন্সি কঞ্জনবা লাইফ জেকেটনচিংবা পীফম থোকপনি। মতুংদসু অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অদুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনবীদুনা অথুবা মতমদা খুদোংথিবা থোকপা মতমদা পূন্সি কঞ্জনবা তঙাই ফদনা চঙবা পোৎলমশিং ফঙহন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা থৌদোক অদুদা খুদোংথিবা নংলবা মীওইশিং অদুগী ইমুং–মনুংগী মীওই অমনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা মফম অসিদা বোট চল্লাইরিবা ইচিল–ইনাওশিংনা লাইফ জেকেট লিংৎকদবনি হায়বনচিংবা পাউতাক পেসেঞ্জরশিংদা পীহঞ্জনিংই। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনসু টুরিষ্ট স্পোট ওইনা হাংবা তারগদি লৈঙাক্কী ওইবা খুদোংথিবা থোকপা মতমদা ইশা কঞ্জনবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু মীৎয়েং চঙহন্নিংই। মফম অসিদা মমাঙদসু খুদোংথিবা থৌদোক কয়া থোকপগী পাউ তাখিবা লৈরে। মসিদা চাওনা শোয়রিবসি করিগীনো হায়বসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়নসু পাউমীশিংগী খুথাংদা পেনদবা ফোঙদোরকখি।